# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ : কোলকটাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ফাইনেল মেচ শান্নরগনি

## গুৱাহাটি, নাভি মুম্বাইদা সেমী ফাইনেল পাঙথোক্কনি



কোলকটা, মার্চ ২৭ :

মফম অসিগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী ওক্টোবর ২৮ দা পাঙথোক্কদবা ফাইনেল মেচ চত্থরগনি হায়না মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল মেচ অনীনা গুৱাহাটি অমদি নাভি মুম্বাইদা পাঙথোল্লগনি।

জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অসি অহানবা ওইনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি অমদি টুর্ণামেন্ট অসি ওক্টোবর ৬ তগী চত্থবা হৌগনি। ৱর্ল্ড কপ অসিগী স্লোগানননা 'ফুটবোল টেকস ওভর' হায়বা ৱাহৈ অসিনা ওইখ্রে। টুর্ণামেন্ট অসিদা টিম ২৪ না শরুক যাদুনা সিটি তরুক্তা চাংদম্ন গনি। মেচকী সেদ্যুলসু টুর্ণামেন্টকী দিরেক্টর জেভিয়র সেপ্পিনা লাউথোকখি।

সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা অয়াম্বা মেচশিং যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা সম্মিট ক্লাশ য়াওনা মেচ তরা শান্নগনি। মমাঙদা লিওনেল মেসি অমদি ওলিভর খানগী জর্মনিনা যুম্বু ওইখিবা কা হেন্না চাউরবা ষ্টেদিয়ম অসিদা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন টাই অমা, ক্বার্টর ফাইনেল অমা, থার্দ প্লেসকী গেম অমা অমদি গ্রুফ এফকী মেচ তরুক পাঙথোক্কনি।

গ্রুপ এগী মেচশিংনা নভি মুম্বাইদা পাঙথোক্কনি অদুগা গ্রুপ বিগী মেচশিংনা ন্যু দেল্লিনা যুম্বু ওইদুনা চত্থগনি। মুম্বাইগী দি ৱাই পটিল ষ্টেদিয়মদা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী টাই অমা অমদি সেমী ফাইনেল মেচ অমা শান্নগনি অমদি দেল্লিনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন টাই অনী পাঙথোক্কনি।

গোৱানা গ্রুপ সিগী মেচশিং যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি অদুগা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী মেচ অনী অমদি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমা শান্নগনি। অদুগা কোচিদা গ্রুপ দিগী মেচশিং শান্নবগী মথক্তা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী টাই অমা অমদি ক্বার্টর ফাইনেল অমা পাঙথোক্কনি। গ্রুপ ঈগী মেচশিংনা গুৱাহাটিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী টাই অমা, ক্বার্টর ফাইনেল অমা অমদি সেমী ফাইনেল মেচ অমা পাঙথোক্কনি।


টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক শেম শারিবা ষ্টেদিয়মশিং ফিফা অমদি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী অপুনবা মেম্বর ২১ না চত্তুনা য়েংশিনখি। য়েংশিনখিবশিং অদুগী মনুংদা ফিফানা অরোইবা ওইনা কোলকটাদা চত্তুনা য়েংশিনখি। মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি অসিনা ভেন্যু মঙা - ন্যু দেল্লি, গোৱা, নাভিমুম্বাই, কোচি অমদি গুৱাহাটিদা চত্তুনা য়েংশিনখিবদা কোচিগী শেমজিন-শাজিনবগী থবক চত্থরিবা অদু উবদা পেনখিদবনি। মখোয়না দেল্লিদা ট্রেনিং পিচশিং নিংথিনা শেমজিন্নবসু খঙহনখি।

হেদ ওফইভেন্টজাইমে য়ার্জানা হায়খি, ঐনা অরোইবা ওইনা চৎখিবা অদুদগী হৃদক অমুক লাকপসিদা মসিগী ষ্টেদিয়ম অসিনা খ্বাইদগী ইম্প্রুভ ওইবা হায়বদু ওইরে। মসি ইন্দিয়াগী টোপ ষ্টেদিয়ম অমা ওইবগী লম্বীদা চঙশিল্লি। ঐখোয় পুন্নমক হরাউরে। মসিগী ষ্টেদিয়ম অসি হায় ষ্টেন্দার্দ অমসু ওইরে। অৱাৎ-অপাশিং শেমজিন্নবা হায়বদা মিনিষ্টরনসু মতম চানা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। ঐখোয়না মফম অসিদা নুংঙাইরবা ৱর্ল্ড কপ অমা উবা ফংলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ভুবনেশ্বরনা যুম্বু ওইদুনা ২০১৭ হোকি ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেল অমসুং ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কনি

ভুবনেশ্বর, মার্চ ২৭ :

ওড়িষানা যুম্বু ওইদুনা মসিগী ভুবনেশ্বরদা নুপাগী ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেল ২০১৭ অমসুং মেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ পাঙথোল্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ওড়িষানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে।




কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মনা যুম্বু ওইদুনা হোকিগী খ্বাইদগী চাউবা ইভেন্ট অনী - ৱর্ল্ড লীগ অমসুং ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি। ভেন্যু অসিদা ২০১৪ মেন'স হোকি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে। মফম অসি হৌজিক হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী চেম্পিয়ন্স ওইরিবা কলিঙ্গা লেন্সর্সকী ময়ুমসু ওইরিবনি।

ভুবনেশ্বরদা চত্থগদৌরিবা মেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেল ২০১৭ অসি দিসেম্বর ১ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কনি অমদি টুর্ণামেন্ট অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা নুপাগী টিম নিপান্না শরুক য়াগনি। মসিদা যুম্বু ওইরিবা লৈবাক অমদি চৎলিবা চহী অসিগী সম্মরদা চত্থগদবা হোকি ৱর্ল্ড লীগকী সেমী ফাইনেলদগী ক্বালিফাই ওইবশিং য়াওগনি।

মেন'স হোকি ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ না নবেম্বরগী অথেংবা শরুক/দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি অমদি ইভেন্ট অসিদা টিম ১৫ না যুম্বু ইন্দিয়াগা পুনগনি। মখোয় হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেল অমদি কন্টিনেন্টেল চেম্পিয়নশিপ্তুগী ক্বালিফাই ওইবশিং ওইগনি হায়না এফ আই ঐচনা থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা হায়রি।

ওড়িষা ষ্টেটনা ইভেন্ট অনী অসিগী টাইটল স্পোন্সর ওইগনি হায়বগী কনফার্মসু তৌখি। ওফিসল ওইনা ইভেন্ট টাইটল অসি 'ওড়িষা মেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেল ভুবনেশ্বর ২০১৭' অমদি 'ওড়িষা হোকি মেন'স ৱর্ল্ড কপ ভুবনেশ্বর ২০১৮' হায়না ওইগনি।

মসিবু লাউথোল্লদুনা এফ আই ঐচকী প্রসিদেন্ট নরিন্দর ধ্রুভ বট্রানা হায়খি, ভুবনেশ্বরনা মালেমবু হরাউ তয়াম্না ওক্লবগীদমক শেম শারবা সিটি অমা ওইরে। মসিনা স্পোর্টস ফেনশিংগী অপেনবা হায়বদু ওইরগনি অমদি ঐখোয়না যুম্বু ওইবগী এক্সপরিয়েন্স অদুনা খ্বাইদগী চাউরবা ইভেন্ট অনী অসিদা ঐখোয়গী ষ্টারশিংনা মতিং থোক্লা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা অরংবা থৱানমিচাক অমগুম ঙাল্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না মালেমগী মফম পুন্নমক্তগী ফেনশিংনা পুন্না লাকপা অমদি মখোয়গী টিমশিংগা সিয়র তৌমিন্নবদা থৌগৎলি। মখোয় পুম্নমক্না কম্পিটিসন অসিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইনবা মিৎয়েং থল্লি হায়খি।

ওড়িষাগী চীফ মিনিষ্টর নবীন পাটনাইকনা হায়, গ্লোবেল ইভেন্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী হোকি ফেনশিংগী অপেনবা পীবদা নত্তনা তুংগী হৌরক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা স্পোর্ট অমসি প্রমোট তৌবদা মতেং ওইরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, গভর্ণমেন্ট ওফ ওড়িষানা লেমজনিঙাই ওইরবা ওড়িষা মেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেল ভুবনেশ্বর ২০১৭ অমদি ওড়িষা হোকি মেন'স ৱর্ল্ড কপ ভুবনেশ্বর ২০১৮ যুম্বু ওইগনি হায়না লাউথোকপদা ঐঙোন দা চাউথোকচবা ফাওজে। হৌখিবা চহীশিংদা ওড়িষানা যুম্বু ওইদুনা মমিং লৈরবা মখল-মখাগী ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিং পাঙথোকখ্রে অমদি ভুবনেশ্বরদা হোকি ইভেন্টসু যুম্বু ওইবদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা ফাওই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌনবা মুম্বাই ইন্দিয়ানা হোৎনগদৌরি

মুম্বাই, মার্চ ২৭ :

লাক্লিবা এপ্রিল থাদগী চত্থবা হৌগদৌরিবা তরাশুবা এদিসনগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা মতিং থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা টাইটল লৌনবগী মিৎয়েং থল্লিবা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা মখোয়গী অনৌবা কোচ মহেশ জয়াৱার্দিনগী মখাদা প্রিপরেটরি কেম্প চত্থবা হৌখ্রে।

হান্নগী শ্রী লঙ্কা ইন্টরনেসনল মহেশ জয়াৱার্দিনগী মিৎয়েং মখাদা নুমিৎ মাপন্নি চূপ্না ফ্রেঞ্চাইজ অসিগী হোম ভেন্যু ওইরিবা ৱানখেদে ষ্টেদিয়মদা চত্থবা হৌখ্রবা কেম্প অসি লাক্লিবা এপ্রিল ২ লোইশিনগনি।


কেম্প অসিদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী নিকোলাস পুরাননা অহানবা ওইনা থুংলবা ইন্টরনেসনল প্লেয়র ওইখি। অদুগা মিটচেল জোন্সন, জোস বটলর, মিটচেল, মেকক্লেনাঘন, লান্সিথ মলিঙ্গা, টিম সাউথি, কৈরোন পোল্লার্দ অমদি লেন্দিল সিমোন্সনা অথুবদা কেম্পতা থুংলদুনা অতোপ্পা ক্রিকেটশিংগা পুল্লরগনি।

য়াঙনা বোল লংবা জস্প্রিট বুনরাহ অমদি ওল রাউন্দর হার্দিক পান্দিয়া য়াওনা আই পি এলগী ওক্সনদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা নৌনা লৌখিবা কারন শর্ম্মা, কৃষ্ণপ্পা গৌথম অমদি সৌরভ টিৱারিগা প্রেক্টিসতা শরুক য়ামিন্নরি। অদুগা জগদেশ সুচিথ, ভিনে কুমার, নিটেশ রানা, দিপক পুনিয়া অমদি জিটেশ শর্ম্মানা ফ্রেঞ্চাইজ অসিদা মখা তানা লৈরিবনি। হরভজন সিংহ, পার্থিব পটেল, অম্বাটি রায়ুদু, ক্রুনাল পান্দিয়া অমদি কুলৱন্ট খেজ্রোলিয়ানা হৌজিক ভিন্সখপটনমদা চত্থরিবা দিওধর ট্রোফিদা শরুক য়ারি। টিমগী মরু ওইবা শান্নরোয় রোহিট শর্ম্মাদি অশোকপনা মরম ওইদুনা কেম্পতা য়াওদ্রি।

কেম্প অসিদা সপোর্ট ষ্টাফশিং - বেটিং কোচ রোবিন সিংহ, ফিল্ডিং কোচ জোন্টি রোদস অমদি বোল্লিং কোচ শেন বার্ননা জয়াৱার্দিনগা লোয়ননা শরুক য়ারি।

কুমজা ২০১৩ অমদি কুমজা ২০১৫ গী আই পি এলগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা এপ্রিল ৬ তগী পুনেদা শান্নগদবা মখোয়গী অহানবা মেচতা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টসকা লম্বা তৌনগনি।

# ৱিমেন'স হোকি লীগ : ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম কনাডাগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীখ্রে




ৱেষ্ট ভানকৌভর, মার্চ ২৭ :

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী মাঙওইননা মফম অসিদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা কনাডাগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীহৌখি।

কনাডাগী নিক্কি রুদক্রোফটনা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মখা তানা কনাডাগী ষ্টেফনি নোর্লেন্দরনা অনীশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনখিদুনা ২-০ দা লৈখি। হাফ টাইম ফাওবদা কনাডানা অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়াসু গোল অমত্তা ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমদনা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা মায়োক্নবা সাইদতা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি। মদুদা গুরজিৎ কৌরনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। অদুবু মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা কনাডাগ কার্লিজোহান্সেননা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়ানা ৩-১ দা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী মাঙওইননা শান্নখিবা অহানবা মেচতা চিলিগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

চিলিনা মেচ অদুদা মতিং থোক্লা শান্নখিদুনা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতঅদা অগষ্টিনা ভেনেগ্যাসনা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। চিলিগী গোল অদু চন্দ্রিঙৈ মিনিট অমগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী রেনুকা যাদভপু রেফ্রিনা গ্রীন কার্দ পীখি।

ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা অকনবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল অদু অনুপা বার্লানা পেনালটি কোর্নরদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কনশিনখিদুনা চনখি। গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট অমা লৈরগা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা ভান্দানা কাটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।


মখা তানা রিতু রাণিনা লুচিংবা ইন্দিয়ন টিমনা অকনবা দিফেন্স শান্নদুনা চিলিবু ষ্ট্রাইকিং সার্কলদা লাকশিন্নবা হোৎনখিবদা ফাউল তাখিবদগী চিলিগী মায়কৈদা পেনালটি কোর্নর অমা পীখি। পেনালটি কোর্নর অদু মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা ওগষ্টিনা ভেনেগ্যাসনা নিংথিনা কনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা মেচ অদু ২-২ দা লৈখি। টিম অনীমক্না মখা তানা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চৎতুনা লোইশিনখি।


ইন্দিয়ানা মখোয়গী মথংগী মেচতা কানাডাগা মায়োক্নদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখিবনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী কেম্প্যেন ওইনা এপ্রিল ১ দা মখোয়গী পুল এগী ইনকাউন্টরদা উরুগুৱেগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# এ আই এফ এফনা প্রেমিয়র ফুটসালবু শকখঙবা তৌদ্রি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৭ :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহীদা অহানবা প্রেমিয়র ফুটবোল পাঙথোকখ্রবা মতুং অনীশুবা এদিসন হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা হৌদোকখিবগা লোয়ননা লুইস ফিগো অমদি রাইয়ন গিগসনচিংবা শক্নাইরবা ফুটবোল্লরশিংনা প্রমোট তৌরিবা লীগ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না মশক খঙদে হায়না ফোঙদোকখিবদগী হেন্না চমম্ন বা হায়বদু ওইখ্রে।





ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ফেদরেসনগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট যুনিটশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং লীগ অসিদা শান্নবদা অয়াবা পীদবা অমদি ওফিসল ওইদবা ফুটসালগা মরী লৈনহল্লোইদবনি। প্রেমিয়র ফুটসাল অসি এ আই এফ এফনা মশক খঙবা লৈতে। ফেদরেসন অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী মতুং ইন্না ফুটসাল অসি ফেদরেসনগী মখাদা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি। ফেদরেসন্না মসিগী এফিলিয়েট তৌবা ষ্টেট যুনিট পুম্নমক্তা মখোয়গী প্লেয়রশিংবু মশক খঙদবা অমদি অয়াবা পীদবা ফুটসাল লীগতা শরুক য়াদনবা খঙহল্লি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওপরেটর অমদি মার্কেটিং পার্টনর ওইরিবা কম্পেনি ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদকা পুন্দুনা চহী অসিদগী ফুটবোল টুর্ণামেন্ট হৌদোক্ন বা থৌরাং তৌরি হায়না ৱাফম থম্লদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ফেদরেসন্না এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) গা চেরোল অমা ইন্দুনা চহী অসিদা নেসনল ফুটসাল টুর্ণামেন্ট অমা হৌদোকপদা মতেং পাংবীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

শগোলশেল নুমিৎতা প্রেমিয়র ফুটসাল হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লেজেন্দরি পোর্টুগিজ প্লেমেকর ফিগো, মাঞ্চেষ্টর যুনাইটেদকী লেজেন্দরি রাইয়ন গিগস অমদি অলেকজেন্দ্রো রোজা ভৈরা (ফাল্কাও) না শরুক য়াখি। প্রেমিয়র ফুটসালনা ফ্রেঞ্চাইজদা বেজ তৌবা লীগ অমা চহী অসিদা পাঙথোক্লবা থৌরাংলিবনি।

শক্নাইরবা ফুটবোল্লর অহুম অসিনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোইলগা উনখি অমদি প্রেমিয়র ফুটসালগী মকোক ফিগোনা মহাক্কী ওর্গনাইজেসনা মিনিষ্ট্রিগী সপোর্ট ফংলে হায়না ফোঙদোকখি। অনীশুবা এদিসনগী প্রেমিয়র ফুটসালদা হান্না নুমিৎ নিপান্নি পাঙথোকখিবা অদুদগী নুমিৎ ১৪ দা হেঙ্গৎপদা নত্তন মেচ মশিংসু হান্নগী ১৫ দগী ২৭ তা হেঙ্গৎলে। টুর্ণামেন্ট অসি তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোক্কনি।

# মেরি কোমনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা হল্লক্নবা মিৎয়েং থল্লি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৭ :

মঙারক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ৱিমেন বোক্সর এম সি মেরি কোমনা মহাক্কী তুংগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী ৱারেপ লৌদ্রিঙৈ মমাঙদা চহী অসিদা ভিয়েটনামদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী রিংদা হল্লক্নবা মিৎয়েং থল্লি।



মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদগী টুর্ণামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াদনা লাকখিবী রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা মশান্না অসিদগী পোত্থানবগী ৱাফম লাপ্না থম্লদুনা অতেনবা মতম অসিদা মহাক্কী গোল ফাংনবা ৱারেপ লৌখি।

মহাক্না বোক্সিংদগী পোত্থানবগী থৌরাং তৌবা লৈরবরা হায়না হংখিবা ৱাহংদা মশাগী চহী ৩৪ শুরবী সেলেব্রেটেদ পুজিলিষ্ট অসিনা হায়খি, হৌজিক পোত্থানবগী থৌরাং লৈতে। ঐহাক হৌজিক প্রেক্টিস তৌরি অমদি হৌজিক মখা তানা ঐগী সেদ্যুল চত্থরি। ঐনা হৌজিক অতোপ্পা চহী অমগা বোক্সিং শান্ননবা মঙলান শাগৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী স্পিসল ওলেম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবী মেরি কোমনা থৌরমদুগী সাইদলাইনদা হায়খি, ঐগী মথংগী টার্গেটতি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপনি। ঐ ইশানা টিমদা য়াওনবগী খুদোংচাবা অদু পীবা পাম্মী অমদি ঐগী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স অদু পীগনি অমদি ইন্দিয়াগীদমক মেদল লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রিয়ানা যুম্বু ওইদুনা লোইশিনবদা ঙাইখিবা স্পিসল ওলেম্পিক ৱর্ল্ড ৱিন্টর গেমসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন স্পিসল ওলেম্পিক্সকী কন্টিঞ্জেন্টনা গোল ৩৭, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ২৬ পুন্না মেদল ৭৩ লৌরকখিবনি।

মেরিনা অমুক হন্না প্রোফেস্নেল ওনবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, ঐনা প্রোফেস্নেল ওননবগী থৌরাং তৌবা লৈতে। ঐনা হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াগীদমক শান্নবা পাল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱিমেন'স এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অসি ভিয়েটনামদা চহী অসিগী নবেম্বর ২ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

গভর্ণমেন্টনা ওলেম্পিক্সকীদমক পায়খৎপা লোং টার্ম দিভলপমেন্ট প্লান দগী থৌরাংশিং শেম-শানবা অমদি চৎনহন্নবগীদমক এসিষ্ট তৌনবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মেরি কোমবু হন্দক্তা বোক্সিংগী নেসনল ওবর্জাবর ওইনা হাপখিবনি।

মহাক্কী অনৌবা রোলগী মতাংদা হংখিবদা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা ঐঙোন্দা দাইত্ব লৌনবা শিন্নরিবা অসিদা ঐনা ঙম্বা ঐগী খ্বাইদগী ফবা থৌদাং অদু লৌগনি। ঐগী প্রাইওরিটিদি অথুবদা ফেসিলিটিশিং পীবা অমদি বোক্সর খুদিংমক মতেং পাংবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া ভর্সেস ওষ্ট্রেলিয়া : ইন্দিয়ানা বোর্দর-গভাস্কর ট্রোফি লৌনবগীদমক রন ৮৭ লৌবা মথৌ তারি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৭ : উমেশ যাদভ, রভিন্দ্র জাদেজা অমদি রভিচন্দ্রন অশ্বিননা ৱিকেট অহুম অহুম লৌখিদুনা ধর্মশালাগী ঐচ পি সি এ ষ্টেদিয়মদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মরিশুবা টেষ্টকী অহুমশুবা নুমিৎকী মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা ওষ্ট্রেলিয়াবু নক্ষ্মৎতুনা রন ১৩৭ লৌহনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী মতিং থোক্লবা বোলরশিংনা খুৎপায় চেৎনা পায়শিনখিদুনা মথৌনা লৈনা শান্নবা ঙমহনখিদে। ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্লেন্ন মেক্সৱেল্লনা বোল ৬০ দা রন ৪৫ (ফোর ৬, সিক্স ১) অমদি মেথিয়ু ৱাদে (নোট আউট) না বোল ৯০ দা রন ২৫ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা প্লেয়র ওইখি। কেপ্টেন ষ্টেভন স্মিথনা রন ১৭, পিটর হেন্দসকোম্বনা রন ১৮ অমদি পেট কুম্মিন্সনা রন ১২ লৌখিদুনা ওভর ৫৩.৫ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১৩৭ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ৮৮.৩ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৩০০ লৌখিবনি।

অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা উমেশ যাদভনা ওভর ১০ দা রন ২৯ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩, রভিন্দ্রা জাদেজানা ওভর ১৮ দা রন ২৪ পীরগা ৱিকেট ৩ অমদি রভিচন্দ্রন অশ্বিননা ওভর ১৩.৫ দা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌখি। ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৭ তা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংসতা ওভর ৬ তা রন ১৯ লৌখি। লোকেশ রাহুলনা বোল ১৮ মায়োক্নখিবদা রন ৩ অমদি মুরালি ভিজয়না বোল ১৮ দা রন ৬ লৌদুনা ক্রিজদা লৈরি। পেট কুম্মিন্সনা ওভর ৩ লংখিবদা রন ১৪ অমদি জোশ হেজলৱুদনা ওভর ২ দা রন ৫ পীথোকখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ১১৮.১ দা রন ৩৩২ লৌখিবনি। হৌজিক ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগীদমক রন ৮৭ লৌবা মথৌ তারি।

## বাজৱানা স্কীট ফাইনেলদা মেদল লৌবা ঙমখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৭ : অঙ্গাদ ভির সিংহ বাজৱানা মেক্সিকোগী অকাপুলকোদা নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখ্রবা শুটগন ৱল্ড 'কপকী স্কীট ফাইনেলদা শুট ১১৮ কাপখিদুনা মেদল ফংবা ঙমহৌখিদ্রে। অদুগা চেম্পিয়নশিপ অদুদা হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন মান সিংহসু মেদল ফংবা ঙমহৌখিদ্রে।শুট-ওফকী লম্বী তরুক্তা চত্থখিবা ফাইনেল মেচ অমদা অঙ্গাদবু চিনাগী ৱান আরটাওনা ১১-১২ দা মায়থীবা পীরমখি।

মান সিংহনা অনীশুবা বার্দতা মিস ওইখিবদগী ঙন্না টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি। মমাঙদা হোমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা মিক্স ব্রোঞ্জ লৌখিবা অঙ্গাদনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ২৪, ২৪, ২৩, ২৪ অমদি ২৩ কাপখি। মান সিংহনা ২২,২৪, ২৪, ২৪ কাপখি। ইভেন্ট অদুদা ইটালিগী মার্কো সল্লোননা পোইন্ট ৫৫ (১২২) ফংদুনা গোল্ড, যু এস এগী ফ্রেঙ্ক থোমসননা পোইন্ট ৫৩ (১১৯) ফংদুনা সিলভর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী পাউল অদামনা পোইন্ট ৪৩ (১২০) ফংদুন ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র্স : জর্মনিনা অজর্বাইজানবু, ইংলেন্দনা লিথুনিয়াবু মায়থীবা পীখ্রে

বাকু/লন্দন, মার্চ ২৭ :

এন্দ্রে স্কুরলেনা চনখিবা গোল অনীনা মফম অসিদা চত্থখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র্সদা আর্জবাইজানবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংন-থংননা মায় পাকপা মঙারকশুবা ওইখ্রে।



মেচকী অহানবা হাফতা স্কুরলে, থোমাস মুল্লর অমদি মারিও গোমেজনা গোল অমমম চনখিদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অসিনা ৩-১ দা মাঙজি তানা লৈখি। জর্মনদা শান্নরিবা আর্জবাইজানগী মিদফিল্ডর দিমিট্রিজ নাজারোভনা অঙনবা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা হোম ক্রাউদশিংবু হরাউ তয়ামহনখি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা জর্মনিগী থংন-থংননা মায় পাকপা নিপানশুবসু ওইখি। মসিদা জর্মনিনা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা মার্সৈল্লেদা লেস ব্লুসকী মখুৎতা মায়থীখিবা অদুগী মতুংদা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়র্স অমদি ফ্রেন্দলিশিং য়াওরি।

স্কুরলেনা হায়খি, মসি য়াম্না টফ ওইবা গেম অমা ওইখি। ঐখোয়না গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা খরা মাঙজখি অমদি মায়োক্নরকপদা অশোনবা খরা য়াওখি। ঐখোয়না ব্রিক ফাওবদা নিংথিনা শান্নদুনা ৩-১ দা থম্বা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্কুরলেনা মহাক্কী অনীশুবা গোল অদু মেচকী অথেংবা মতমদা চনখিদুনা আর্জবাইজানবু য়াম্না লাকচনা ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

বাকুগী মায় পাকপা অসিনা জর্মনিনা গ্রুপ সিগী ষ্টেন্দিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। জর্মনিনা মখোয়গী মেচ মঙা ফংখিবদা মঙামক মায় পাকখিবদা নত্তনা গোল ২০ চনখি অমদি অমুরক কনশিদ তৌখি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ডকপ ক্বালিফাইয়র্সকী লন্দনদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেচতা ইংলেন্দনা লিথুনিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

ইংলেন্দগী ষ্ট্রাইকর জর্মেইন দেফোনা ইন্টরনেসনল ষ্টেজদা হল্লক্তুনা গোল চনখি অমদি সবষ্টিট্যুট জেমি ভার্দিনা অনীশুবা মেচ অদু চনখি।

চহী অহুমমখায়রোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা দিফোনা ৱিলৱ্লেদা শান্নখিবা মেচ অদুদগী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। গারেথ সাউথগেটকী টিমনা ফিফা রেঙ্কিংদা নেম্না ৯৩শুবা মফমদা লৈরিবা লিথুনিয়া সাইদপু নক্ষ্মৎখি।

ইংলেন্দনা মেচ অদুদা খুদোংচাদবা অনীরক মায়োক্নদুনা মিহুল চিংগুম-চেঙ্গানখি। অদুবু মেচকী মিনিট ৬৬ চৎপা মতমদা দেফোগী মহুৎ শিন্দুনা চঙলকখিবা ভার্দিনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা ইংলেন্দনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে অদুগা লিথুনিয়াসু গোল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখিদে।

ইংলেন্দনা গ্রুপ এফতা গেম মঙাদগী পোইন্ট ১৩ ফংখিদুনা স্লোভেনিয়াদগী পোইন্ট মঙা মাঙজিল থাখি। স্লোভেনিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা স্কোটলেন্দদা চৎকনি।